# ট্রম্পনা য়ু এস নেভিদা সাউথ চাইনা সিদা বৈজিংবু লাকশিন্নবগী অহেনবা নীংতম্বা পীখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ২৩ (এজেন্সি):
য়ু এসকী নেভিবু সাউথ চাইনা সিদা নীংতম্না পেট্রোলিং হেন্না পাঙথোক্নবগী অমসুং চাইনানা এরিয়া অদুদা খূৎশেমগী রীফশিং অমসুং অটোলশিং শেমগৎতুনা মফমদুদা মিলিটরি পাঙ্গল হেনগৎহন্নবা হোৎনবগী মায়োক্তগা প্রেসর পীবা য়ানবগী থৌরাং অমা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

খোঙথাং অদুনা সাইনো - য়ু এসকী মরী অমসুং রিজনেল সিক্যুরিটি ইস্যুশিং করি ওইরক্লদগে হায়বা ঙমদবগী ফিভম অমা লাকহনগনি হায়না এনালিষ্টশিংনা থাজে। মদু বৈজিংনা সাউথ চাইনা সিগী অয়াম্বা শরুকশিং ক্লেম তৌরিবদুদা শিংনবা অমা ওইনা উবতা নত্তনা অতৈ লৈবাক মঙা হায়বদি ভিয়েটনাম, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া, ব্রুনৈ অমসুং ফিলিপিন্সনা ফাংজিন্ননা ক্লেম তৌরিবদুবুসু য়ৈথৎনবা হোৎনরকপনি হায়না লৌনরি।

ডিফেন্স সেক্রেটরী জিম মাটিসনা হৌখিবা এপ্রিলদা হ্বাইট হাউসতা সবমিট তৌখিবা থৌরাং অদুদা য়ু এস নেভিগী সিপশিংনা সাউথ চাইনা সিগী য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুকশিং অদুদা থৌনবগী চহী অমগী সেদ্যুল য়াওরি।

থৌরাং অসিগী মতুং ইন্না, নেভিনা ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতমদা ফংখিবা নীংতম্বগী চাং অদুদগী হেন্না মনীং মখা তৌবা য়ারগনি। মমাঙগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মতমদদি নেসনেল সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা ওপরেসনগী মরু ওইবা ৱারেপশিং লৌখি।

কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মরু ওইবা পোলিটিকেলগী অহোংবা কয়া পুরক্নবা অচৌবা মীফম অমা পাঙথোক্নবা হোৎনরক্লিঙৈ মতমসিদা থৌরাং অদুনা চাইনাবু ইন্দিয়া অমসুং জপানগুম্বা অতৈ লৈবাকশিংগা লৈনরিবা লমগী য়েৎনবশিং দিল তৌবা লুহল্লগনি।

হৌখিবা ২০১৬ তা হেগতা ইন্টর্নেসনেল কোর্ট অমনা চাইনাগী মরিটাইম ক্লেমশিংবু লোগী মায়োক্তনি অমসুং কা হেনমল্লি হায়না ৱারেপ তাখি। তৌইগুম্বসুং চাইনানা রুলিং অদুবু খুদক্তা রিজেক্ট তৌখি অমসুং মখা তানা মিলিটরি ইনষ্টোলেসনশিং শেমগৎখি অমসুং নোফ্লাই অমসুং নো-সেল জোনশিং লাউথোকখি।

লৈবাক অমনা কা হেনবা নেভল ক্লেম অমা তৌরকপা মতমদা য়ু এস নেভিনা মদুবু সিপশিং মরু ওইনা দেসট্রোয়রশিং থৌজিন্দুনা শিংনৈ। অসুম্না য়েৎনরিবা মফমশিংদুদা নৎত্রগা মফমশিংদুগা নক্লনা সিপশিং থৌজিন্দুনা লৈবাক খূদিংমক্কী নেভিশিংনা নীংতম্না নেভিগেসন তৌবা য়াই হায়বসি উৎলি।



# লন্দনদা থোকপা অনৌবা হেট ক্রাইমদা নুপা ১ না মুস্লিম নুপী অমদা এটেক তৌখ্রে, হিজাব চিংথোকখ্রে

লন্দন, জুলাই ২৩ (এজেন্সি):
য়ুনাইটেদ কিংদমদা থোকপা মীঙোন্দা হঙ্গোই তুকচ্চবা উৎপগা মরী লৈনবা অতোপ্পা থৌদোক অমদা লন্দনদা নুপা অমনা মুস্লিম নুপী অমদা এটেক তৌখ্রে অমসুং মহাক্কী হিজাব চিংথোকখ্রে।

ভিক্টিম ওইরিবী মুস্লিম নুপী অদু অনিসো অব্দুলকদির কৌবী অমনি হায়বসি খঙবা ঙমখ্রে। বি বি সিগী পাউ অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা চয়োলগী নোংমাইজিং নুমিৎতা নুপী অদুনা বেকর ষ্ট্রিট ষ্টেসনদা লৈরিঙৈদা নুপা অদুনা মহাক্কী হিজাব (হেদস্কার্ফ) পায়খি অমসুং মহাক্কী মমান্নবী অমবুসু ফক্লাংদা নম্লগা থমখি।

অব্দুলকদিরনা ত্বিটরদা মঙোন্দা এটেক তৌখিবনি হায়বা নুপা অদুগী পিকচর অমা থাগৎখি। "নুপা অসিনা বেকর ষ্ট্রিট ষ্টেসনদা ঐহাক্কী হিজাব চিংথোক্নবা হোৎনখি অমসুং ঐহাক্না ঐহাক্কী স্কার্প পায়শিন্নবা হোৎনরুবদা মহাক্না খূৎ থারকখি। মহাক্না ঐহাক্কী ইমান্নবীশিং অমসুং ঐঙোন্দা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং শীজিন্নদুনা চৈবা হৌখি। ইমান্নবী অমদি মহাক্না ফক্লাংগা তাইননা ফাজিনখি অমসুং মমায়দা তিন শিৎচিনখি।

নুপাদুগা লাকমিন্নবা নুপী অমনসু মহাকপু কিহনখি অমসুং অকনবা ৱাহৈ খোন্দা কয়া শীজিন্নদুনা ঙাংখি হায়না অব্দুলকদিরনা ক্লেম তৌখি। বৃটিশ ট্রান্সপোর্ট পুলিসকী স্পোক্সমেন অমগী মতুং ইন্না, থৌদোক অদু ষ্টেট ক্রাইম অমা ওইনা থিজিল্লি। অসিগুম্বা লমচৎ-শাজৎ অসি করিমত্তা য়ানিঙাই ওইদে অমসুং লেম্না থারোই। থৌদোক অসি ঐখোয়দা খঙহল্লক্লে অমসুং ঐখোয়না থিজিল্লি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক গার্দিয়নগী পাউ অমগী মতুং ইন্না, পারেল উজমিরেক কৌবা নুপা অদুনা মহাক্কী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিং অদু পূমলান লাল্লি হায়খি। ত্বিটরদা মহাক্না ইখি 'ঐহাক্না কনামত্তদা খূৎ থাখিদে হায়বসি ঐহাক্না কনফার্ম তৌবা পামই। শুপ্নগী ফিভমদুদা পামদবা থৌদোক থোকহন্দনবা ঐহাক্না মখোয়বু অমগা অমগা খাইদোক্লনা লৈহনখিবনি। পুলিসকা ঐহাক্কা কোওপরেসন নিংথিনা পীনরি অমসুং মখোয় নুপী অহুম্না ঐহাক্কী পার্টনরদা এটেক তৌনবা হোৎনবগী সি সি টি ভি ফুটেজ ফংবা ঙমগনি।

লন্দন এটেক্কী মতুংদা বৃটিশ কেপিটেল অসিদা মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা ক্রাইমশিং চৎথবা হেনগৎলকখি। অসিগুম্বা কেসশিংদা পুলিসনা করিগুম্বা মখল অমৎতগী মীনুংশি উৎলোই হায়না লন্দনগী মেয়র সদিক খাননা ফোঙদোকখি।



# টালিবাননা নুমিৎ ২গী মনুংদা ডিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর্স ২ পায়শিনখ্রে

কাবুল, জুলাই ২৩ (এজেন্সি):
অফঘান টালিবান ফাইটরশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতসু অনীশুবা ডিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর্স অমা পায়শিনখ্রে। হন্দক্কীসিনা নোংচুপ থংবা খোর প্রোভিন্সতনি হায়না প্রোভিন্স অসিগী পুলিস চীফনা ফোঙদোকখ্রে।

অফঘানিষ্টানগী অৱাং অমসুং নোংচুপ থংবা শরুক্তা টালিবানগী এটেকশিং কনখৎলকখিবদা তোঙান তোঙানবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা পুলিস নিপান হাৎখ্রে। মখোয়না ডিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর্স পায়শিনখি হায়না মোহম্মদ মুষ্টাফা মোসেনিনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, টালিবাননা নোংমাইজিংগী অঙনবদা খোরগী টাইৱারা ডিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর্সতা এটেক মরি পাঙথোকখি অমসুং ঐখোয় মনিং হনবা নৎতনা অতৈ পান্বৈ লৈখিদে। পুলিসনা ডিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর্সতগী কিলোমিটর ৮ লোম লাপ্পা মফমশিংদা পোজিসনশিং লৌদুনা কাউন্টর এটেক অমা পাঙথোক্লবা অহেনবা ফোর্সশিং ঙাইদুনা লৈখি।

মীদিয়াদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা টালিবাননা টাইৱারা ডিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর্স খুদুম চল্লে হায়না লাউথোকখি। ডিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর্সতু পায়শিন্নবগী লাল অদুদা অফঘান গভর্নমেন্টগী সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওই ৪৫ হাৎখি হায়নসু টালিবানগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা ক্লেম তৌখি। টালিবানগী মীশি মীনাগী ক্লেমশিংদু নীংতম্না ভেরিফাই তৌবা ঙমখিদে।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা নোরদর্ন ফরয়াব প্রোভিন্সকী লোলাস ডিষ্ট্রিক্টতা টালিবাননা অমম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা ডিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর্সতা এটেক তৌবদা পুলিস অনী শিখি। মখোয়না পুলিস হেদক্বার্টর্সকী বিল্ডিংশিং মৈ থাখি হায়না প্রোভিন্সিয়ল পুলিসকী চীফ স্পোক্সমেন অব্দুল করিম য়ৌরিশনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

গভর্নমেন্ট ওফিসলশিং অমসুং পুলিস হেদক্বার্টর্স অদু কম্পাউন্দ অদুগী মনুংদা লৈবনি হায়না য়ৌরিশনা মখা তাখি।

হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা টালিবাননা নোরদর্ন অফঘানিষ্টানদা এটেক কয়া পাঙথোকখি। মখোয়গী এটেকশিং অদুনা কেপিটেল কাবুল অমসুং নোরদর্ন অফঘানিষ্টানগী মরক্তা লৈরিবা হাইৱে অমা মতম খরগী ওইনা থিংজিনখি। এটেকশিং অদুনা টালিবাননা অফঘানিষ্টানগী নোংপোক অমসুং মখা থংবা শরুক্তা লৈরিবা মখোয়গী ষ্ট্রোংহোল্ডশিংদদা নৎতনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা পুলিস অমসুং গভর্নমেন্ট ট্রুপশিংদা প্রেসর পীনবা হোৎনৈ হায়বসি উৎলি।



# ইজরেলনা জেরুসালেমগী লাইনিং লম্বী অনীমক্কী লাইফমদা অনৌবা সিক্যুরিটি কেমেরাশিং খিনজিনখ্রে



জেরুসালেম, জুলাই ২৩ (এজেন্সি):
জেরুসালেমগী লাইনিং লাইশোনগী ওইবা শেংলবা মফম অমদা ইজরেলনা নোংমাইজিং নুমিৎতা অনৌবা সিক্যুরিটি কেমেরাশিং খিনজিনখ্রে। য়েৎনরিবা লাইফম অদুদা মেটল ডিটেক্টরশিংগী মহুৎ শিনবা য়াবশিং খন্নরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা ইরোয়ননা কেমেরাশিং খিনবগী খোঙথাং অদু লৌখৎলকখিবনি।

মফম অদুদা ইজরেলি ওফিসলশিংনা সিক্যুরিটিগা মরী লৈননা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদুনা হন্দক নুমিৎ খরনিসিদা লমদম অদুদা টেন্সন হেনগৎহনখি।

হৌখিবা চয়োলদা অরাব গনমেনশিংনা লাইগী খুভম অদুদগী নোংমৈ কাপথোরকখিবদগী ইজরেলনা অনৌবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখিবনি। এটেক অদুদা ইজরেলি পুলিসমেন অনী শিখি। মখা তাবা অহেনবা এটেকশিং থিংনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ অমসুং অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসি মালেমগী অতৈ মফম কয়াদা লৈরিবা লাইনিং লাইশোনগী অতৈ শেংলবা মফমশিংদসু লৌখৎনৈ হায়না ইজরেলনা ফোঙদোকখি তৌইগুম্বসুং মুস্লিমশিংনদি ইজরেলনা মুস্লিম এদমিনিষ্ট্রেসন লৈবা মফম কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকপনি হায়না মরাল শিখি অমসুং পাক্কন্নলা লাই খুরুম্বগী খোঙজংশিং চঙশিনখি।

হন্দক চহী খরসিগী মনুংদা লম্বীদা থোকপা খ্বায়দগী শাথিবা ঈরাংনি হায়না লৌবা য়ারবা থৌদোকশিংদা হৌখিবা ইরাইদা পালেষ্টিনিয়ন অহুম লম্বীদা হাৎখি। মদুগী তুংদা পালেষ্টিনিয়ন অমনা ইজরেলি ইমুং অমগী মীওই অহুম হাৎখি।

পালেষ্টিনিয়ন সিভিলিয়ন এফেয়র্সকা মরী লৈননা শেম্বা ইজরেলি দিফেন্স বোদিগী মকোক ওইরিবা মেজর জেনরেল য়োআ মোর্দেচাইনা হায়খি, টেন্সন হন্থনবগীদমক্তগা ইজরেলনা মহুৎ শিনবা য়াবা সিক্যুরিটিগী অতৈ খোঙথাংশিং পায়খৎপগী ৱাফমসু য়াই।

ঐখোয়না পান্বদি কনামত্তা অমুক হন্না খুৎলাই পুশিল্লগা চঙদুনা অতোপ্পা এটেক অমা পাঙথোকপা ঙমহন্দবনি। মথংগী এটেক থিংবা ঙমগদবা ওইরবদি ঐখোয়না মেটল ডিটেক্টরশিংগী মহুৎতা অতৈ অতৈশিং য়েংশিনবগী ৱাফম য়ানিংই হায়না মোর্দেচাইনা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক জেরুসালেমগী মুফতি শৈইখ মুহাম্মদ হুশৈইননদি লাইফম অদুদা অহানবগী এটেক পাঙথোক্ত্রি ঙৈগী মমাঙদা লৈরম্বা চৎনবীশিংদুদা মপুং ফানা হঞ্জিনহন্নবা ভোইস পালেষ্টাইনগী খুথাংদা দিমান্দ তৌখি। লাইফম অদু মুস্লিমশিংনা নোবল সেঙ্কচ্যুরি হায়না খঙনৈ অমসুং জ্যুশিংনা টেম্পল মাউন্ট হায়না খঙনৈ।

নোংমাইজিং নুমিৎতা মুফতি অসি য়াওনা জেরুসালেমদা লৈরিবা ইস্লামিক ইনষ্টিট্যুসনশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ইলেক্ট্রোনিক গেটশিং অমসুং লম পায়শিন্নবা হোৎনবগী খোঙথাং খূদিংমক রিজেক্ট তৌখি।

# পানামা কেসতা নৱাজ শরিফ কনভিক্ট তৌরবদি খ্বাজা অসিফনা মরক্কী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা য়াই



লাহোর, জুলাই ২৩ (এজেন্সি):
পানামা পেপর্স কেসতা করিগুম্বা পাকিস্থানগী সুপ্রিম কোর্টনা শেঙ্গা-থুমজা তৌবা অমসুং লোনা য়াদবা শেনফমশিং মপান্দা ট্রাঞ্জেক্সন তৌনবা হোৎনরম্বগী মরালদা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফপু ডিসক্বালিফাইদ তৌরবদি মহাক্কী মহুৎ শিনবা ওইনা লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টর খ্বাজা অসিফ লাকপা য়াই হায়রি।

পি এম এল - এন গী মকোক থোংবা লীদর অমগী মতুং ইন্না, মশাগী চহী ৬৭ শুরবা শরিফকী লোয়নবী কলসূম নৎত্রগা মনাওনুপা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর সাহবাজ শরিফপু নেসনেল এসেম্বল্লিগী সিট অমদা থাগৎতুনা লেমহৌরিবা টার্ম লোইবা ফাওবা গভর্নমেন্টবু লূচিংহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা অসিফনা নুমিৎ ৪৬ নি মরক্কী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা য়ানা লৈ। অসিগুম্বা ফিভম অসি ঙরাং এপেক্স কোর্টনা ৱায়েল রিজর্ভ তৌখিবা মতুংদা শরিফনা মহাক্কী লিগল টিম অমসুং নকশিন্নবা তেংবাংলোয়শিংগা হঞ্জিন হঞ্জিন মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখি।

অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা পি এম এল - এনগী লীদরশিংগী মনুংদগী অমনা নুমিৎ ৪৫ নি প্রেমিয়র ওইহনবা য়াই হায়না লেপ্পখি। অসিফতা নৎতনা অতৈ খন্নরিবা কেন্দিদেট অনীদি নেসনেল এসেম্বল্লিগী স্পিকর সরদার অয়াজ সদিক অমসুং পেট্রোলিয়ম মিনিষ্টর সহিদ খকন অব্বাসিনি।

কলসূম নৎত্রগা সাহবাজনা নেসনেল এসেম্বল্লিগী হায়বদি পাকিস্থানগী পার্লিয়ামেন্টগী লোৱর হাউসকী মেম্বরশিং ওইদবনা ইন্টরিম লীদর অমা খন্নবগী ফিভম পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লাকখি। করিগুম্বা সুপ্রিম কোর্টনা শরিফপু কনভিক্ট তৌবা তারবদি মখোয়না খুদক্তা মহাক্কী মহুৎ শিনবা য়ারোই। মখোয় মীখল কন্টেষ্ট তৌদুনা সিট অমা ফংবা চঙই।

প্রাইম মিনিষ্টরগী লিগল টিমনা মঙোন্দা এপেক্স কোর্টকী প্রোসিদিংস অমসুং পীরকপা য়াবা ৱায়েলগী মরমদা ৱারী শাখি। প্রেমিয়র অসি ডিসক্বালিফাই তৌবা য়াবগী ফিভম লৈবনা শরিফনা মহাকপু মহুৎ শিনবগী মতাংদা খন্নখি। প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমগীদমক্তা খ্বাজা অসিফ, সরদার অয়াজ সদিক অমসুং সহিদ মিংসিং অসি খন্নখি হায়না পি এম এল - এননা ফোঙদোকখি।

অসিফ অসি শরিফকা য়াম্না নকশিন্নবা অমসুং এন্টি ইষ্টাব্লিসমেন্ট ওইবা মীশক্নি হায়না লৌনৈ হায়রি।

# য়ু এস কোংগ্রেসনা রশিয়া, ইরান অমসুং নোর্থ কোরিয়াদা অথিংবা কয়া থম্নবগী বিল য়ানখ্রে



ৱাশিংটন, জুলাই ২৩ (এজেন্সি):
কুমজা ২০১৬ কী প্রসিদেন্টগী মীখলদা খূৎ থিংজিনখিবা অমসুং য়ুক্রেনদা চত্থরিবা থবক থৌওং কয়াগীদমক্তা য়ু এস কোংগ্রেসনা রশিয়াগী মথক্তা অচৌবা অথিংবা কয়া থম্নবগী য়ানবা অমা পুরকখ্রে। থৌরাং অদু চয়োল অসিদা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসতা ভোট লৌনগনি।

হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভস অমসুং সিনেটতা নেগোসিয়েটরশিংনা থাংজ নুমিৎতা লাউথোকখিবা থৌরাং অদুদা ইরান অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অচৌবা অথিংবশিং থম্বগী ৱাফম য়াওরি। লৈবাক অনীমক প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কন্না ক্রিটিসাইজ তৌবা লৈবাকশিংনি হায়না ইফে ন্যুজনা ফোঙদোকখি।

ভোট লৌনবদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হাউসতা পাঙথোক্কনি অমসুং মদুগী মতুং কুইনা কান্নদনা সিনেটতা পাঙথোক্কনি হায়না মীদিয়া আউটলেটশিংনা ফোঙদোকখি। বিল অদু হাউস অনীমক্তা শরুক অহুম থোকপগী অনীগী মেজোরিটিনা পাস তৌগনি হায়না থাজনরি। করিগুম্বা বিল অদু লোমেকর শরুক অহুম থোকপগী অনীনা শৌগৎতবা তারবদি ট্রম্পনা মদু ভিটো তৌদুনা ক্রেমলিনগা মহাক্কা লৈনরিবা মরীগী মতাংদা ক্রিটিসিজম হেন্না থোকহনগদ্রা নৎত্রগা মদুদা সাইন তৌদুনা অথিংবশিং থমগদ্রা হায়বা ফিভম অনীসিগী মরক্তা খনগনি।

# চাইনানা য়েৎনরিবা ঈথৎতা সিনেমা থিয়েটর হাংখ্রে

বৈজিং, জুলাই ২৩ (এজেন্সি):
য়েৎনরিবা সাউথ চাইনা সিগী য়েংসিং ঈথৎতা চাইনানা হৌজিক মতমগা চপ চানা চুনরবা সিনেমাগী থিয়েটর অমা হাংদোকখ্রে। এরিয়া অদু লৈবাক অসিগী ওথোরিটিগী মখাদা লৈ হায়বদু উৎনবগীদমক্তা সিনেমা থিয়েটর অদু হাংদোকখিবনি হায়না বৈজিংদা ষ্টেট মীদিয়ানা ফোঙদোকখি।

নৌনা হাংলিবা থিয়েটর অদুদা মফমদুগী মীওই অমসুং লান্মী ২০০ হেনবনা ঙরাং চাইনিজ মুভি 'জিয়াও য়ুলু' য়েংখি। সাউথ চাইনা সিদা লৈবা চাইনাগী খ্বাইদগী নৌবা সিটিগী সানমা ম্যুনিসিপালিটিদা শারিবা অনৌবা থিয়েটর অদু সানমা য়িনলোং কৌই।

সিনেমা থিয়েটর অদুদা নুংতিগী ওইনা ফিল্ম অমমম উৎকনি। অমসুং য়েংসিং ঈথৎতা লৈবা মীশিং অমসুং লান্মীশিংনা লৈবাক অসিগী সিনেমা য়েংবা চৎনরিবা মীওইশিংগা মান্ননা মতম অমৎতদা সিনেমা য়েংবা ফংলগনি হায়না হাইনান মীদিয়া গ্রুপকী জেনরেল মেনেজর ও সিয়াওজিংনা ফোঙদোকখি।

চাইনানা লৈবাক অসিনা কন্ট্রোল তৌবা ঈথৎশিং অদুদা ফেসিলিটিশিং হেন্না পাকথোক-চাউথোকহন্দুনা অমসুং য়েৎনরিবা এরিয়াদা লৈশিন্নবা মীয়ামদা পুক্নিং থৌগৎতুনা লাকখি। বৈজিংনা য়েৎনরিবা এরিয়াশিং অদুদা খূৎশেমগী ঈথৎ কয়া শেমগৎ শাগৎখি।

# ভেনিজ্যুএলাগী ওপোজিসননা প্রসিদেন্ট মাদুরোগী মায়োক্তা অনৌবা খোঙজং লাউথোকখ্রে



করাক্কস, জুলাই ২৩ (এজেন্সি):
কেপিটেল কারাক্কসতা থাংজ নুমিৎতা নুমিৎ চুপ্পা অমা ঈরাং থোকখ্রবা মতুংদা ভেনিজ্যুএলাগী ওপোজিসন্না প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোগী মায়োক্তা নুমিৎ নীনিগী নেসনেল ষ্ট্রাইক লাউথোকখ্রে। থাংজ নুমিৎকী ঈরাংদুদা শোকখিবশিংদুগী মনুংদা প্রোটেষ্টশিং অদুগী খ্বাইদগী মশক নাইবা মীশক ওইখিবা ভাইঅলিন খোংবা অমা য়াওখি।

চয়োল অসিদা পূং ২৪ গী সটদাউন অমা কৌখিবা ওপোজিসন ডেমোক্রেটিক কোলিসনননা মথংগী ষ্ট্রাইক অদু য়ুমশকৈশা অমসুং শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি হায়খি। ওপোজিসন্না কৌখিবা থাংজ নুমিৎকী ষ্ট্রাইক অদুবু মীওই মিলিয়ন কয়ানা শৌগৎনখি অমসুং সাউথ অমেরিকান লৈবাক অদুগী চাউরবা লমদম কয়াগী থবক থৌরম খূদিংমক ফেল ওইখি।

প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা অনৌবা কোংগ্রেস অমগীদমক্তা জুলাই ৩০ দা মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবদু জুলাই ৩০ দা মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবদু নম্ফুদা লেপহন্নবা হোৎনরদুনা নিংথৌকাবা অমসুং ইরাই নুমিৎতসু মীয়ামগী প্রোটেষ্ট খোঙচৎশিং চৎনবা থৌরাং তৌরি।

সাউথ অমেরিকাগী ওপেক লৈবাক অসিগী অরুবা পোলিটিকেল ঈরাং অসি এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংদা মীওই ১০০ হেন্না শিখিবা অমসুং মীওই লিশিং কয়া অশোক-অপন নংখিবা মতুংদা লাক্লিবনি। ওপোজিসন্না শিনবা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিং অদু হৌখিবা এপ্রিলদগী হৌখি।

ভেনিজ্যুএলাগী মীয়াম্না মখোয়গী অপাম্বা ফংনবা হোৎনবদা হনবা লৈরোই, মখোয় থৌনা লৈবা ঙাক্তনি, মখোয় ডিমোক্রেসি অমসুং কনষ্টিট্যুসন কন্নবা থোক্লক্কনি হায়না ওপোজিসন লোমেকর সিমোন কলজাদিলানা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি। ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা অতৈ কোলিসনগী ওফিসলশিংসু মহাক্কা লৈমিন্নখি।

প্রসিদেন্ট মাদুরোগী ওপোনেন্টশিংনা ভেনিজ্যুএলাবু মহাক্না ডিক্টেটরসিপকী লৈবাক অমা ওইহল্লে অমসুং হান্না য়াম্না ফরম্বা শেল-থুমগী ফিভম শোকহল্লে হায়না মরাল শিরি।

মালেমগী লেফটকী ফীরাল পায়বা মীশক অমনি হায়না ফোঙদোকচবা মশাগী চহী ৫৪ শুরবা মাদুরোনা মহাক য়ু এস অমসুং ইন্টর্নেসনেল মীদিয়াগা লৌতুনরগা কূ অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা রাইট - ৱিং টেরোরিষ্টশিং থেংনরিবনি হায়খি।